# কোভিদ কন্ট্রেক্টচুএল ষ্টাফ অমসুং এম পি এস সী এগজামিনেসন


– ডা. সোরাম মনিকান্ত –

প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com




কোভিদ-১৯ লাইচৎ মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরকপা মতমদা ইরমদম অসিদসু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মেনপৱার, ইক্বিপমেন্ট, ওক্সিজেন সপ্লাই কয়াগী অৱাৎপা থেংনখি। মসিনা মরম ওইদুনা লাইচৎ অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা তাঙ্কক অনীমক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। মীশি-মীনা কয়া নংখি। মসিগী মতাংদা মতম মতমগী ওইবা পাউদম কয়া চেফোঙ অসিদা অইবা ইশামক য়াওনা ৱাফম কয়া থম্বা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্না কন্না হোৎনদুনা মথৌ তাবা হোস্পিটাল, আই সী য়ু বেদ, ভেন্টিলেটর, ওক্সিজেন প্লান্ট কয়া লিংখৎতুনা লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবা য়াবা হোৎনখি। অসিদসু নত্তনা ডাক্তর, নর্স অমসুং পেরামেদিকেল ষ্টাফ কয়া মতম মতমগী মথৌ তাবশিং অদুসু এনগেজ তৌদুনা লমদম অসিদা কোভিদ লাইচৎতগী খুদোংথীবা থোক্তনবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। কোভিদ হোস্পিটাল, কোভিদ ক্যের সেন্টর, ক্বারন্টিন সেন্টর অমসুং আইসোলেসন সেন্টর হাংদোক্তুনা মথৌ তাবা হেল্থ ষ্টাফ কয়া দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজ তৌদুনা মথৌ তৌহনখি। কোভিদ লাইচৎ অসি লান্থেংনবদা হেল্থক্যের ৱার্করশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অসুম্না ফোঙদোকপসু লৈখি মদুদি নুমিৎ ১০০দগী তাদনা লাইচৎ অসি থেংনরক্লবা হেল্থক্যের ৱার্করশিংবু থবক হাপ্পদা খুদোংচাবা পীফম থোকই। ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফম অদুবু ইকায়খুম্নবা ওইনা অমদি নুমিৎ ১০০ হেন্না কোভিদ দ্যুটি তৌখিবা ডাক্তরশিংগী থবক অদুবু মশক খঙবা ওইনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননসু হন্দক্কী এম ও রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চথবদা রিটন এগজামিনেসনদা অহেনবা গ্রেস মার্ক ১০ পীগনি হায়না খঙহনবসু লৈখ্রে।

ইকুই কুইদ্রিঙৈ মতম খরগী মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজ তৌখিবা মেদিকেল ওফিসর অমদি অতৈ হেল্থ ষ্টাফ খুদিংমক্কী এনগেজমেন্ট ওর্দর অদু ককখ্রে। মসিদা লাংতক্লবা অমদি খোইশাওনরবা ডাক্তর কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখি অমদি লৈঙাক্তা ৱাফম খরা থমখি। মখোয়না থমখিবা মরু ওইবা ৱাফম অনীখক্তি - অহানবদা মখোয়শিং অসি কোভিদ লাইচৎ থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমসুং ৱাজরক্লবা মীওইশিংনি। মরম অসিনা মখোয়না থেংনখিবা লাইফ রিস্ক কয়া অদু নাথৈরম্লগা মীয়ামগী হকশেল য়াইফনবা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা তৌখিবা থবক অদু শক খঙবীবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মখাদা এম পি এস সীনা মেদিকেল ওফিসর ৩০০ রিক্রুটমেন্টেগীদমক্তা থোকখিবা নোটিস অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্না দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজ তৌখিবা ডাক্তরশিংবু হান্না এম পি এস সী ফেস তৌদনা রিক্রুটমেন্ট তৌবিয়ু। লেমহৌবা ভেকেন্সি পোষ্ট অদুনা এম পি এস সীনা লৌবীয়ু হায়বনি। অনীশুবদা থা মরিগী খূৎশুমল পীবিদ্রে। মদু পীথোকপীয়ু হায়বনি। মখোয়না থল্লিবা ৱাফম অসি তাবিদ্রবদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বসু ফোঙদোকখি। মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি থবক শীজিন্নরগা খূৎশুমল পীবিদবা হায়বসি য়াম্না লাল্লি। ফংফম থোকপা শেনফম অদু অথুবদা লৈঙাক্না পীফম থোকই। অদুবু অহানবগী ৱাফম - মখোয়গী সর্ভিস হান্না এবসোর্ব তৌগদবনিঅমসুং মখোয়বু রেগ্যুলর বেসিসতা এবসোর্ব তৌরবা মতুংদা লেমহৌরিবা ভেকেন্সি পোষ্ট অদু হৌনবী মতুংইন্না এম পি এস সীদা রিক্রুটমেন্ট চথগদবনি হায়বসিগী মতাংদদি মখাগী ৱাফম খরা অসি নৈনবা মথৌ তাই।

কোভিদ নারবা মীওই অয়াম্বদি জেনিমস অমসুং রিমস হোস্পিটালদা লায়েংবা ঙাক্তনি। মসিদা মিং চনবা ফংহৌদবা কয়ানা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালদা চৎনখিবা ঙাক্লি। হোস্পিটাল অনী অসিগী কোভিদ-ৱার্দ, আই সী য়ুদদা নত্তনা ফ্লোরদা ফাওবা থমদুনা অনাবা কয়া লায়েংখি। মসি হোস্পিটাল অনী অসিগী রেকোর্দ য়েংলগা খঙবা ঙমগনি। ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লিবা অনাবশিং অসিবু মতম চানা লায়েংনবা হোৎনবদা হোস্পিটাল অনী অসিদা লৈরিবা ডাক্তরশিংদা অৱাবা পোৎলূম অমা ওইখি। মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং ২৪ x ৭ ইমর্জেন্সি সর্ভিস অমা পীবা ঙম্নবা জুনিয়র রেসিদেন্ট কয়া এনগেজ তৌখি। মখোয়সু অহিং নুংথিল অনীমক্তা কোভিদ অনাবা লায়েংবদা রিস্ক কয়া মায়োক্নবগা লোয়ননা অনাবা কয়া মায় পাক্না লায়েংনবা হোৎনখি। পি পি ঈ শেৎতুনা পুং ২৪ মথৌ তৌবা য়াওখি। অসিগুম্বা কোভিদ-১৯ অনাবা কয়া চোকথবা লৈতনা মীয়ামগীদমক মথৌ তৌখিবা ডাক্তরশিংবু মিরাইবা চুম্লোই। মরম অসিনা করিগুম্বা লৈঙাক্না দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজ তৌখিবা ডাক্তরশিংনা তাল্লিবা ৱাফম অসি খন্নবা তারবদি জেনিমস অমসুং রিমস হোস্পিটালদা নুমিৎ ১০০ হেন্না কোভিদ দ্যুটি তৌরক্লবা ডাক্তরশিং য়াওনা খন্নফম থোকই। মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদুসু ঐখোয়গী লমদম অসিগী মীচম মীয়ামগীদমকনি। দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজমেন্ট তৌখিবা ডাক্তরশিংতগী ওইনা খন্নবা তারবদি মসি নাকল নাম্মতগী ওইবা মিৎয়েংনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই।

মতম অমদা (১৯৮১-৮৬) এম পি এস সী মথৌ তৌবা লেপ্লুবদগী ক্লাস-ৱান ওফিসর কয়া ভেকেন্সি পোষ্ট অদুগা চান্নবা য়েংলগা এদহোক নৎত্রগা ওফিসিএটিং কেপাসিটিদা এপোইন্টমেন্ট পীখি। চহী কয়া অসুম্না ভেকেন্সি পোষ্ট অদুদা থবক তৌরক্লবসু এম পি এস সীনা অমুক হন্না মথৌ তৌরকপা মতমদা এম পি এস সীগী খূত্থাংদা রেগ্যুলর এপোইন্টমেন্ট পীখিবা ঙাক্তনি। অমরোমদা দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজমেন্ট তৌবা হায়বসি নোংমগী হাজিরা শুবগুম্বনি। মসিদা জোবকী গরেন্টি নৎত্রগা সিয়ুরিটি লৈতে। অদুবু লৈঙাক্কী পোলিসি অমগী মখাদা মখোয়দা শিবা-নাবা থোক্লবদি হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম অমনা কোভর তৌবগী খুদোংচাবা অমদি পীরি। মসিদসু নত্তনা মণিপুর লৈঙাক্না নুমিৎ ১০০দগী তাদনা কোভিদ দ্যুটি তৌরক্লবদি মখোয়দা অখন্ননা রিটন এগজামিনেসনদা অহেনবা গ্রেস মার্ক ১০গী খুদোংচাবা অমা পীগনি হায়না এম পি এস সীনা হান্ননা লাউথোকপা লৈখ্রে। মসি ডাক্তরশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা কোভিদ লাইচৎ থেংননবা হোৎনবদা তৌখিবা থবক অদুবু শকখঙবিবনি হায়না লৌবা য়াই। দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজ তৌখিবা ডাক্তর খরখক্তবু এবজের্ব তৌবীয়ু হায়দুনা লৈঙাক্তা ৱাফম খরা থম্লকপা অসিমক্তি লাইবক থীবনি। জেনিমস অমসুং রিমস হোস্পিটালদা কোভিদ দ্যুটি থা ৬ হেন্না অহিং নুংথিল অনীমক্তা মশাগী রিস্ক খুদিংমক থৌশাদনা থবক তৌদুনা লাক্লবা ডাক্তরশিংবু মিরাইবা চুমদে। দেলি ৱেজেস বেসিসতা এনগেজ তৌখিবা ডাক্তর খরখক্তনা কোভিদ লাইচৎ লমদম অসিদা থেংনবা ওইনা উহনবা অচুম্বা থৌওং নত্তে। মসিদি অতৈ প্রোফেসনেলশিংগী মমাঙদা ডাক্তর হায়বা প্রোফেসন অসিবু লান্না লৌখিগদবা ৱাফম অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। কম্পিটিসনগী স্ক্রিপ্ট অমা লৈসি। মীপূম খুদিংমক্না ডাক্তর হায়বা প্রোফেসন অসি ইকায়খুম্নহনসি।

মরক অসিদা মীওই খরনা রিটন এগজামিনেসনদা অহেনবা গ্রেস মার্ক ১০ অদু ফংনবগীদমক অরানবা কোভিদ সর্টিফিকেট কয়া পুথোরক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা থেংনরে। মসিনা অচুম্বা ওইরবদি য়াম্না লাইবক থীবনি। হেল্থ দিরেক্টোরেটনা মসিগী মতাংদা চিংনবা লৈরবদি থিদোকপদা অরুবা ৱাফম অমদি নত্তে। মরমদি কোভিদ সর্টিফিকেট খুদিংমক মরী লৈনবা চে-চাং য়াওরবা মতুংদা অমদি ভেরিফাই তৌরবা মতুংদা হেল্থ দিরেক্টোরেটনা ইস্যু তৌরিবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা এম পি এস সীনা লৌগদবা রিটন এগজামিনেসন অসি য়ৈথোকপীয়ু হায়বসিনি। মসি খন্নবা য়াবা ৱাফমনি। মসিমক্তি লৈঙাক্না লৌগদবা ফিরেপনি। হৌজিক হৌজিকমক ডাক্তর মশীং ৱাৎপনা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা হেল্থ ক্যের দেলিভরি সিষ্টমদা অচৌবা অপনবা অমা ওইরি। করিগুম্বা ডাক্তরগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অসি মতম চানা পাঙথোকপা ঙম্লোইদবা লৈরবদি মীচম মীয়ামদা অফবা মখলগী হকশেল ফংহন্নবা লৈঙাক্না অয়াবা পীরবা (Cabinet approval) অমদি ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী অয়াবা য়াওরগা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ক্যামগৈদা লৈগদবা হেল্থ মেনপৱার লৌবগী দি পি সী অদু অথুবদা হায়দোক্তুনা অমসুং পোষ্টিং পীদুনা মথৌ তৌহনবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

এম পি এস সীনা তৌগদবা মেদিকেল ওফিসর লৌবগী রিটন এগজামিনেসন অসি য়ৈথোকপগী কান্নবা অমসুং কান্নদবা অনীমক লৈগনি। য়ৈথোকপদা কান্নবা পীগদৌরিবসি কোভিদ-দ্যুটি তৌরিঙৈদা লাইরিক পানবা মতম ফংহৌদবা অদু অহেনবা মতম খরা ফংলবদি প্রিপরেসন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহনগনি। মতাং অসিদা য়াম্না চেকশিনগদবা ৱাফম অমদি মতমগী মমল খঙনা লিক্না শীজিন্নবা চঙই। অদু নৎত্রবদি য়ৈথোক্লবসু কান্নফম খঙলোই। মতাং অসিদা ঐখোয়না তৌগদবা ঈহৌদি অঙাংশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা, মথৌ হাপ্পীবা, কম্পিটিসনগী ৱাখল্লোন চেলহনবা, মোরাল ভেল্যু ৱাংহনবা তঙাইফদে। অঙাংশিংবু লান্না লমজিং লমতাকপীবা হায়বসি অঙাংশিংদা হোৎননীংবগী ৱাখল্লোন অদু মাঙহনবগুম থোক্কনি। এম পি এস সীদা নত্তনা য়ু পি এস সী, দিফেন্স সর্ভিস, কোর্পোরেট সর্ভিস কয়াদা এগজামিনেসন য়াওনবা হোৎনগদবনি। মসিগুম্বা কম্পিটিসন কয়া য়াওনা ঐখোয়না পূক্নিং থৌগৎপীগদবনি। অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি পূম্নমক্কী য়াইফনবা খল্লগা অপূনবগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌহন্নীংই। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হোঙু-কক্লামানবী # ৩৩৬


– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ


মীওইবদা থোইদোক-হেন্দোক্না কান্নবা পীবা ঙম্বা পাম্বীশিংগী মরক্তগী হোঙু-কক্লামানবী হায়না কৌনবা পাম্বী অসি শীংথানীংঙাই ওই। পাম্বী অসি হিন্দিদা সুগনধা মন্ত্রী (Sugandha mantri), চাইনিজদা কিয়ান নিয়ান জিয়ান (Quian nian jian), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা হোমেলোমেনা এরোমেতিকা (Homalomena aromatica Schott) হায়না কৌই অমসুং এরেসী (Araceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - পান্ (Colocasia Spp.), য়েন্দম (Alocasia Spp.), কংজাও পাম্বী - ৱাটর লেতুস (Pistea stratiotes L.), মনি প্লান্ট (Epipremnum aureum (Linden & Andre) G.S. Bunting), লিন পাম্বী- হুইপকোর্দ কোৱা (Arisaema tortuosum (Wall.) Schott) অসিনচিংবনি। চাইনিজগী মরোলদা হোঙু-কক্লামানবী পাম্বী অসি কিয়ান নিয়ান জিয়ান হায়না কৌরিবা অসিগী অর্থদি থাউজন য়রস ওফ হেল্থ (Thousand years of health) হায়বদি চহী ১০০০গী হকশেল হায়বগী অর্থদি পাম্বী অসি চহী ১০০০দগী মীওইবনা অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা থোইদোকপা মগুণগা লোয়ননা শীজিন্নরক্লি হায়বনি অমসুং লায়না ১০০০ ফহনবগী মওংনি।

হোঙু-কক্লামানবী পাম্বী অসি অথোৎপা, ফুট ৩ ফাওবা ৱাংবা, ও-হীদাক নৎত্রগা ওক-হীদাক পাম্বীগুম্না লৈনুংদা মউ (রাইজোম) তাবা মতম অয়াম্বদা শংদুনতা লৈবা অদুগা চহী কয়ামরুম পুন্সিবা, হেক য়েংবদা অপিকপা হোঙু অমসুং কক্লা পাম্বী মানবা অপীকপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মউ অদু নুংশিবা মনম চেল্লি অমসুং কংহল্লগা অমুক্না হেন্না মনম চেল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হোঙু-কক্লামানবী পাম্বী অসি এসিয়া অমসুং ময়ায় থংবা অমেরিকাগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা হোঙু-কক্লামানবী পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক থংবা মফমশিং মরু ওইনা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, মিজোরাম অমসুং মণিপুরদা হৌই। পাম্বী অসি মণিপুরগী জিরিবামগী মফমশিংদা অইবা (ডা. বীরকুমার) না হৌবা থেংনখিদুনা ইহান হান্না কুমজা ২০০৬-২০০৭তা মণিপুরদসু হৌই হায়না পাউদমখি। মসিগী মখা তারকপদা পাম্বী অসি মণিপুরগী তমেংলোং অমসুং চুড়াচান্দপুরদসু হৌবা থেংনখি। জিরিবামদগী পাম্বী খরা পুরক্তুনা সী এস আই আর : নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুটকী এক্সপরিমেন্টেল ফার্মদা থাদুনা চাংয়েং চথবদা থোইদোক্না মায় পাকপা ঙমখি।

হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউদা হঙ্গাম মপাল চঙলপ তৌবা মনম চেনবা থাও হায়বদি ইসেন্সিএল ওইল অসি য়াওই। হায়রিবা থাও অসিদা পোৎচাক ৬৪ রোম য়াওবগী মনুংদা চাদা ৮৮দি পোৎচাক ৩৯না ওই। থাও অসিদা চাদা ৩২.৪৩না লিনালুল (Linalool), চাদা ১৪.০৮না টর্পিনেল-৪-ওল অমসুং চাদা ৮.৩৫না সেবিনেনে (Sabinene) নি। হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী অকংবা মউদা থাও অসি চাদা ২দগী ২.৮গী চাংদা য়াওই।

হোঙু-কক্লামানবী পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মউদগী থাও অদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা শরুক অদু ধূপ অমসুং অগরবতি শাবদা শীজিন্নৈ। হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউগী থাও অসি মীওইবগী হকচাংদা কাপ্পবা মনম নুংশিবা পর্ফ্যুম শেম্বদা পাক শন্না শীজিন্নৈ। হায়রিবা থাও অসি লিটর অমদা লুপা ৩৫,০০০দগী ৫০,০০০ ফাওবা পী। হায়রিবা থাও অসি মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। চাইনিজগী অরিবা অনা লায়েংদা হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউ অমসুং মদুগী থাও অদু লিভর অমসুং কিদনিগী অনাবশিং লায়েংবগী মথক্তা শরূ মপাঙ্গল কনখৎহনবা, খ্বাং নাবা অমসুং তোংশা কায়দুনা চিকপা নাবা তৌবদা শীজিন্নৈ। গাউট (Gout) অমসুং র‍্যুমেটিজম (Rheumatism) হায়না খঙনবা তাং-তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবদা হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা নোংমদা ৩-৪ রক তৈবদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়নসু পাউদম্লি। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিংদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। বিজ্ঞাননা থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদমশিংগী মতুংইন্না হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউদগী লৌবা থাও অদু মখল কয়াগী বেক্টেরিয়েল হিংকুপশিং মরু ওইনা Staphylococcus aureus, Escherichia coli, Klebsiella aeruginosa অমসুং Proteus vulgaris শিং অসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী। অতোপ্পা বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউ অদু ইথানোল হায়রিবা য়ু মখল অসিদা শুগাইরগা শেম্বা মোলোম অদু ফুগ্রি মখল কয়ামরুমদা ফহনবগী ফল পীবা ঙম্বগী মথক্তা হেপাটাইটিস বি (Hepatitis B) হায়রিবা ভাইরস অসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি। হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউগী থাও অদু কোকফাই-শুজা মখল খরা মরু ওইনা Curvularia pallecens, Aspergillus niger অমসুং Fusarium graminearum অসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসি বিজ্ঞান্না চাংয়েং চথদুনা য়েংবদা খঙবা ঙমখ্রে। ৱাইট টর্মাইট (White termite) সাইন্টিফিক্কী ওইবা মমিংদা ওদোন্তোটর্মিস ওবেসস (Odontotermes obesus Rhamb.) হায়রিবা লৈশৌ মখল অসি হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউগী থাও অসিনা মপূং ফানা হাৎপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। পেরালাইসিস হায়না খঙনবা হকচাংগী শরুকশিং ঈ মপূং ফানা চেনবা ঙমদদুনা অমদি তোংশা মপাঙ্গল শোন্থদুনা পংথবা অমদি শিথবদা হোঙু-কক্লামানবীগী থাও অদু অনাবা মফম অদুদা চাং নাইনা তৈরগা মৈ য়াইবদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়দুনা অরিবা অনা-লায়েংদা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিংসু লৈ। কোক ঙাওবা অমসুং পূক্নিং লৈতাদবা হোঙু-কক্লামানবী পাম্বীগী মউ অদু ফজনা তকখায়রগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা লাইবক্তা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। পাম্বী অসিগী মউদা এন্টিওক্সিদেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না পাম্বী অসি মীওইবগী পুন্সি নুংশাংহনবা ঙম্বা হীদাক শাবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বসিনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টর শ্রীবিরেনদা হঙ্গৎচবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চহী কয়াগী মমাঙদগী লমদম অসিদা চলাইদুনা লাকপা 'আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮' পু লমদম অসিগী মীয়াম্না লৌথোকখিনবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবা অদু বি জে পিনা লুচিংবা অনীরকশুবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক পায়বা হৌরকপা নুমিৎ খরনিদগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী লৌথোক্তুনা মীয়ামগী ইহুল খঙবীবগীদমক য়ুনাইটেদ চোংথাজনা চীফ মিনিষ্টর শ্রীবিরেন অমসুং লৈঙাক অসিবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। লোয়ননা অতোপ্পা মীয়ামগী ওইবা থবক কয়াসু পাঙথোকপা ঙম্বা ওইসনু অমসুং মরা চেৎপা লৈঙাক অমা ওইদুনা লৈবাক অসি নুংঙাই য়াইফবা ওইসনু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা নীজবগা লোয়ননা লৈঙাক অসিবু লুচিংবীরিবা শ্রীবিরেনগী মফমদা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তং য়ুনাইটেদ চোংথাজগী মায়কৈদগী হঙ্গৎচরি।

ৱাফম অসি অনৌবা অমদি নৎত্রবনি। অদুবু মতম কুইনা পাঙথোকফম থোকপদা পাঙথোক্তনা লৈরকপদগী তঙাইফদবনা হঙ্গৎচবনি। শক্লপ্পা ৱারীদি কুমজা ১৮৯১দা মণিপুর অমসুং বৃটেন লৈবাক অনীনা শোক্লখিবা লাঞ্জাও অদুগী খ্বাইগী অরোইবা লানফম অসি খোংজোমগী তেঙ্গোল লম্পাক্তা কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৫দা শোক্লখিবা লান অসিনি। অদুবু চহী ৪০গী মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক অদুনা পুৱারীবু মুন্না থিজিনবা ৱাৎখিবদগী লান অদুগী চহীগী নীংশিং থৌরম্বু ৱাংজিংগী খেবা চীংদা এপ্রিল ২৩দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। এপ্রিল ২৩ অসি খোংজোম লান শোক্লখিবা নুমিৎ নত্তে অমসুং খেবা চীং অসিসু লানফম নত্তে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী রেকোর্দকী লোয়শঙ ষ্টেট অর্কাইভসতা লৈরিবা দোক্যুমেন্টশিংনা য়াম্না ময়েক শেংনা হায়রবনি অমসুং আর্কিওলোজিকেল ইভিদেন্স কয়ানা প্রমান তৌরবনি। মরম অসিমক্না মণিপুর ষ্টেট অর্কিওলোজিনা খোংজোম লানগী লানফম ওইখিবা তেঙ্গোল লম্পাকপু সাইন বোর্দ থেৎতুনা মোন্যুমেন্ট এক্টকী মখাদা থম্লবনি। অদুম ওইনমক, লৈবাক অসিগী য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইবা অরোইবা নীংতম লান অদুবু লান শোক্লখিদবা নুমিৎ অমদা লান শোক্লখিবা নুমিৎনি হায়দুনা অমদি লানফম নত্তবা মফম অমবু লানফমনি হায়না অরানবা নুমিত্তা অমসুং অরানবা লানফমদা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপসি ঙসি ফাওবা চুমথোকপা ঙমদনা লাক্লি। মরম অদুনা লান শোক্লখিদবা নুমিৎ অমবু লান শোক্লখিবা নুমিৎনি হায়না অমসুং লানফম নত্তবা মফম অমবু লানফমনি হায়দুনা থৌরম পাঙথোকপা অসিবু লৈবাক অসি অখঙবা অমফাওবা লৈত্রবরা হায়না লৈবাক মীয়াম্না হংনরবনি। মসি লৈবাক অসিগী ওইনা ঈজৎ শোকপা ৱাফমনি। অসিগুম্বা অশোয়বা অসি লৈবাক মীয়াম অমসুং লৈঙাক্তা খঙহন্নবা সেমিনার কয়া পাঙথোকখ্রে। আই এস টি ভি অমসুং ইস্পেক্ট টি ভিনচিংবদসু হীরমসিদা খন্ন-নৈনবা কয়া লৈখ্রে। অখঙ অহে কয়া অমনসু পাউচেশিংদা ইদুনা অচুম্বা অদু পুথোক্লখ্রবনি। য়ুনাইটেদ চোংথাজনসু মণিপুরগী শক্লাইরবা হিষ্টোরিয়ান কয়া শরুক য়াবা নুমিৎ ৩নিগী সেমিনার অমা মণিপুর ষ্টেট আর্কাইভকা খূৎশম্নদুনা ষ্টেট লাইব্রেরিদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা খোংজোম লান অসি খোংজোমগী টেঙ্গোল লম্পাক্তা কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিলগী ২৫দা শোক্লখিবনি হায়বসি অচুম্বনি হায়না লৈবাক মমাঙদা পুথোকখি।

হীরম অসিদা অশোয়বা অসিবু চুমথোকপা পাম্বা অমসুং লৈবাক্কী পুৱারীবু চুম্না পুনীংবা লৈবাক অসিগী লন্নাই মীওই কয়ানসু মণিপুর লৈঙাক্কী ইকায়খুম্নজরবা গভর্ণরদা অশোয়বা অসি চুমথোকপীনবা হায়জ-চে পীশিনবা লৈখ্রে। ইকায়খুম্নজরবা গভর্ণরদা থাখিবা চে অদুগী মতুংইন্না মতম অদুগী মণিপুর ষ্টেট আর্কাইভসকী দেপ্যুটি দাইরেক্টরনা ষ্টেট আর্কাইভসতা লৈবা খোংজোন লানগী মরী লৈনবা চে-চাং পূম্নমক খোমগৎলগা মদু এটেচ তৌরগা আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্টরদা চিঠি অমা ইখি। চিঠি অদুগী নম্বরনা No. 13-2/2014-MSA(RS), dated Imphal, the 1st July, 2014 নি। মসিগী মথংদা ডা. সুসিলানা আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্টর ওইবা মতমদা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা অশোয়বদু চুমথোক্লবা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নরদা লানখৎখি। হায়রিবা চিঠি অদু কুমজা ২০১৬কী মার্চকী তারিখ ১৮দা ইবনি, নম্বরনা No. 17/39/90-AC (Vol-1) Pt নি। চিঠি অদুদা এক্সপার্ট কম্মিটি শেম্বদা য়াওনবা খনখিবা মীওইশিং অদুদি (১) শ্রীকে রাধাকুমার, চ্যেরমেন (মতম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী সেক্রেটেরিনি), (২) শ্রী আর কে ঝলজিৎ, মেম্বর (৩) প্রোফেসর গাংমুমৈ কবুই (৪) প্রোফেসর এন জয়কুমার, মেম্বর (৫) প্রোফেসার পি গুনিন্দ্রো, মেম্বর অমসুং (৬) ডা. কে সুসিলা, কনভিনর (মতম অদুগী আর্ট এন্দ কলচর দাইরেক্টর) নি। অদুবু মতম অদুগী ওফিসকী অঙম অথৌশিংনা ফাইল অদু লোৎশিন্দুনা মরী মখোঙ খঙহন্দনা থমখিবদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙদরি।

মতাং অসিদা হায়জনীংবদি, খোংজোম লানদা য়েক্লবগা লানবানখিবা অথৌবা কয়াবু বৃটিশ লৈঙাক্না কলাপানিদা লোই থাখি। লোই থাখিবা অথৌবশিং অদু কনা কনানো খঙদনা চহী ১০০ হেন্না লাকখিবা অদু পুৱারীবু চুম্না থম্লিংবা শ্রী বিরেননা লুচিংবীখিবা মমাঙগী লৈঙাক্না অথৌবশিং অদুগী ৱারী ৱাখোঙ অখঙ অহৈশিং তান্নদুনা পুথোকপীখি অমসুং মপান কাংজৈবুং মমাঙদা অথৌবা ২৩গী নীংশিং খুভম অমা শেম্বীদুনা মীয়ামদা শিন্নবিখি। মসিগী মথক্তা অথৌবা ২৩ অদুবু মখা তানা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা অথৌবশিং অদুনা লৈরম্বা কলাপানিগী মাউন্ট হেরিএট হায়বা মফম অদুবু মাউন্ট মণিপুর হায়না নৌনা মিং থোনবীখি। অদুবু খোংজোম লানগী শোক্লখিবা নুমিৎপু অতোপ্পা নুমিৎ অমদা লান্না পাঙথোক্লিবা অমসুং অরানবা লানফমদা লানফমনি হায়না পাঙথোকপা অসিমদি পাঙথোকপা ঙম্লমদ্রে। মসি এসেমব্লিদা ৱারোপ লৌবা অমা চঙবা অমসুং মতম অদুদা বি জে পি খক্তগী ওইবা এবসোল্যুট মেজোরিটি লৈতবনা ওইরম্বা য়াই খঞ্জে। হৌজিক্তি বি জে পিগী এবসোল্যুট মেজোরিটি লৈরবনিনা শ্রীবিরেননা মরী লৈনবা লোয়শঙদগী দরকার ওইবা চে চাংশিং কৌখৎপীদুনা অচুম্বা অসি শেমদোক্লবা থবক পায়খৎনবা অমসুং এসেমব্লিদা নুমিৎ অমা কায়থোকপীদুনা অশোয়বা অসি চুমথোক্লে হায়বা ৱারেপ অমা লৌবীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ চোংথাজগী মায়কৈদগী হায়জরি। মমাঙগী চহীদা অথৌবা ২৩গী খুভমসি ওগষ্ট ১৩দা অথৌবশিংগী হৈ-লৈ কৎপা নংনবা শ্রীবিরেননা শাবীখিবগুম্না খোংজোম লানগী নুমিৎ অসিদসু হন্দক লাক্কদৌরিবা খোংজোম লান নীংশিং নুমিৎ নংনবা স্পেসল এসেমব্লি সেসন অমা কৌবীদুনা এপ্রিল ২৫দা খোংজোম নুমিৎ পাঙথোক্লগনি হায়না ৱারেপ লৌবিরবদি শ্রীবিরেন অমসুং বি জে পিবু মীয়াম্না মতম চূপ্পদা নীংশিংদুনা লৈগনি।

লোয়ননা মমাঙথক্তা পাল্লম্বা লৈঙাকশিংনা মীয়ামদা লান্না পুৱারী অমা শন্দোকপীরম্বা অদু লৈঙাক অসিনা চুমথোকপীদুনা মীয়ামদা অচুম্বা পুৱারী অমা খঙহন্দুনা মীয়াম্বু মরু ওইনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোন্দা অনৌবা থৌনা অমা পীবিরো অমসুং মতিং লৈবা মশাগী পুৱারী মুন্না খঙবা তুংগী য়ূম্বী কয়া পুথোকপীরো হায়জরি। হায়জরিবা ৱাফম অসি অচুম্বা তৌবা পাম্বা অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা খনবীবা মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টর শ্রীবিরেননা লূম্না লৌবীগনি হায়না থাজজৈ অমসুং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

হঙ্গৎচরিবা - চোংথাম তোম্বা, প্রসিদেন্ট, য়ুনাইটেদ চোংথাজ, ইম্ফাল

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।